থৌদাং স্পোর্টস

ইম্ফাল, মে ২৭, ২০১২ ইং, ইঙাগী ৬ নি পানবা, নোংমাইজিং

মণিপুর টামিল নাদুগী মখুৎতা মায়থিদুনা সেমিফাইনেলদা লৈহৌরে

SANTOSH TROPHY

কটক, মে ২৬ঃ মমাং চহিগী রন্নর্স অপ মণিপুর টামিল নাদুগী মখুৎতা ০-২ দা মায়থিবা নংদুনা উরিষ্যানা য়ুম্থ ওইদুনা ৬৬শুবা সন্তোস ট্রোফি নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপকী সেমিফাইনেলদা লৈহৌরে।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা টামিল নাদুগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখিবা মণিপুরগী এ রিগান অমসুং এম দেবিদনা চনখিবা গোলশিংনা মণিপুরবু মায়থিবা পীবা ঙমখি। টামিল নাদুগী অহানবা গোল ওইনা ৩৫শুবা মিনিটতা রিগাননা চন্দুনা মেটচ অদু মাংজিল থাবা হৌখি। মেটচ অদুগী থেংথরকপা শরুক ৮৫শুবা মিনিটতা টিম অদুগী দেবিদনা অতোপ্পা গোল অমা হাপচিন্দুনা মণিপুরবু নিংবা কায়হল্লমখি।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা টামিল নাদুনা মখোয়গী মরুওইবা শান্নরোই ২ য়াওখিদবনা মেটচ অদুদা হেন্না দিফেন্সিপ ওইনা শান্নদুনা কাউন্টর এটেক্তা গোল চন্ননবা হোৎনখি। টামিল নদুগী মাইকৈদগী চথখিবা এটেক্তা মণিপুরগী দিফেন্সতা অহোবা লৈখিবদগী রিগাননা বোল পুশিল্লক্তুনা মণিপুরগী দিফেন্দর জেমসপু মায়থিবা পীদুনা তৌখিবা গোল এটেম্পতা মণিপুরগী গোল কিপর বসন্তনা ফাননবগী উপায় লৈহৌদনা গোল চন্দুনা মণিপুর গোল অমা হন্থনা লৈবা হৌখি।

মণিপুরগী মাইকৈদগী গোল হন্থনা লৈরবা মতুং হন্দোক্লবা কন্না শান্নখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা গোল চন্ননবগী খুদোংচাবা অমা এ গোবিননা ফংখি। বোয়না কাওরকখিবা ফ্রি কিকতা গোবিননা হেট তৌশিনখিবদা মফম চানা তৌশিনবা ঙমদবদগী খুদোংচাবা অদু মাংখি।

টামিল নাদুনা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা চনখিবা গোল অদুনা মাংজিল থাবা ঙম্বগা লোয়ননা অনিশুবা হাল্ফতা হেন্না দিফেন্সিভ শান্নদুনা গোল হন্দ দাক্তনবা হোৎনখি। মেটচ অদুগী ৬১শুবা মিনিটতা মণিপুরগী বোয়না লেফ ফ্লেঙ্কদগী তৌরকখিবা ক্রোসতা বোল নিংথিনা ফাবা ঙমহৌদবদগী টামিল নাদুগী গোল কিপরদা খুদোংথিবা ফিভম লৈরমগদবা অদু মাংখি। টামিল নাদুগী মাইকৈদা মণিপুরগী স্ট্রাইকর থোইনা চোংদুনা হেদ তৌশিনখিবা বোল নেট মনুং তম্না চংখি। অদুবু ওফসাইদ পোজিসনদা লৈরম্বনা গোল পীরকখিদে। মণিপুরনা গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনবনা শান্নরোইশিংনা অয়াম্বা হায়গৎতুনা শান্নখি। টামিল নাদুগী মাইকৈদগী মেটচ অদুগী থেংথরকপদা কাউন্টর এটেক্তা খুদোংচাবা লৌদুনা সবষ্টিট্যুট ওইনা থোক্লকখিবা এম দেবিদনা মখোয়গী অনিশুবা গোল চন্দুনা মণিপুরবু নিংবা কায়হল্লমখি।

চথরিবা সন্তোস ট্রোফি অসিগী ফাইনেল লাক্লিবা তাং ২৮ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ তা টামিল নাদুনা সার্ভিসেসকা শান্নরগনি। দি দি স্পোর্টসনা মেটচ অদু লাইভ টেলিকাষ্ট পীগদৌরি।

ৱাইদব্লিউ সিনা ক্রাউবু মায়থিবা পীখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, মে ২৬ঃ মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ইম্ফালগী লুৱাংশঙবম লুৱাংপোকপা ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙরাংদগী হৌদুনা চথরিবা এম সি এম অন্দর-১৬ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা ক্রাউ তেরা খন্নাম বাজারবু ৱিকেট ৮ দা লায়না মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা ক্রাউগী মাইকৈদগী হান্না বেট পায়দুনা শান্নখি। মখোয়গী ইন্নিংসতা ওভর ১৭.৫ তা ওল আউট ওইদুনা রন ৪৪ খক্তমক লৌখি। টিম অদুগী ইন্নিংস অদুদা ৱাই দব্লিউ সি গী বিংসননা ৱিকেট ৬ লৌদুনা মখোয়গী ইন্নিংস অদু ফিভম শোকহনখি।

ৱাই দব্লিউ সি গী মাইকৈদগী মেটচ অদু মায় পাক্লনবা ওভর ৪০ দা রন ৪৫ টার্গেট তৌখি। টিম অদুনা ওভর ১১.৪ দা ৱিকেট ২ তুরগা রন ৪৫ লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৮ দা মায় পাকপা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱিকেট ৬ লৌখিবা ৱাই দব্লিউ সি গী বিংসননা মেন ওফ দি মেটচ তাখি।

হয়ে রেজগা য়ু সি সি গা শান্নরগনি।

ৱাই ৱাই সি ফাইনেল চংখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৬ঃ লম্লাই কেন্দ্র দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসনগী স্পোন্সরসিপ মখাদা শাওম্বুং কবুই য়ুথ স্পোর্টিং ক্লবনা শিন্দুনা শাওম্বুং খুঞ্জাওদা চথরিবা অনিশুবা লাকদা ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমিফাইনেলদা ৱাই ৱাই সি য়ৌরবুংনা বিগ ব্রোজবু ৪-২ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অদুদা ৱাই ৱাই সি গী মাইকৈদগী রাজেসনা ২৫শুবা মিনিটতা গোল অমা, দব্লিউ ঙানবনা ৪৩শুবা অমসুং ৬৯শুবা মিনিটশিংদা ২, লণ্ডননা ৭০শুবা মিনিটতা অতোপ্পা গোল অমা চনখি। বিগ ব্রোজগী গোল অদুনা প্রসান্তনা ৭শুবা অমদি সনামচানা ৫৪শুবা মিনিটশিংদা চনখি।

নেসনেল রেফরি সেমিনার

ইম্ফাল, মে ২৬ঃ টাইক্বান্দো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর টাইক্বান্দো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা জুন ১ দগী ৩ ফাওবা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক ইনেদার ষ্টদিয়মদা নেসনেল রেফরি সেমিনার পাংথোক্লগনি। নেসনেল রেফরিশিংনা রিফ্রেসর কোর্স অমদি নৌনা নেসনেল রেফরি ওইনিংবা অহানবা ধান অমসুং মসিগী মথক্তা লৈবশিংনা মে ২৯ ফাওবগী মনুংদা এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়রি।

রিন্যু তৌবা য়ারগনি

ইম্ফাল, মে ২৬ঃ ওল মণিপুর জিম্নাষ্টিক এসোসিয়েসনগী মখাদা লৈবা মেম্বর খুদিংমক্না তাং ৩১ ফাওবগী মনুংদা লুপা ১০০ থিরগা মেম্বরশিপ রিন্যু তৌবা য়ারগনি হায়রি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চেন্নাই সুপর কিংসনা ফাইনেলদা কোলকাটা নাইট রাইদরসকা ঙসি থেংনরগনি

DLF
IPL
Hero
Citi
bonn
vodafone
ROYAL CHALLENGE
NOKIA
Aircel

কোলকাটা নাইট রাইদরসকী কেপ্টেইন গৌতম গম্ভীর (ওই) অমসুং চেন্নাইগী কেপ্টেইন ধোনি অনিনা ট্রোফি দিসপ্লে তৌবা

কোলকাটা, মে ২৬ঃ ৫শুবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়ার লিগকী ফাইনেলদা হয়েং দিফেন্দিং চেম্পিয়ন চেন্নাই সুপর কিংসনা কোলকাটা নাইট রাইদরসকা থেংনরগনি। হান্নগী ইন্দিয়াগী কেপ্টেইন সৌরভ গঙ্গুলিনা হয়েংগী ফাইনেল মেটচ অসি কোলকাটা নাইট রাইদরসনা মায় পাক্তুনা ৫শুবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়ার লিগকী টাইটল লৌগনি হায়বা থাজবা ফোংদোক্লি।

ইন্দিয়ান প্রেমিয়ার লিগ অসিগী ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা অনিশুবা ক্বালিফায়রদা চেন্নাই সুপর কিংসনা লিগক্কী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মাংজিল থাখিবা দিল্লি দেয়ারদেভিলসপু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংবা ঙমখি। ঙরাংগী মেটচ অদুদা চেন্নাই সুপর কিংসনা দিল্লিবু রন ৮৬ তা চাওনা মায়থিবা পীখি।

চেন্নাইনা মখোয়গী ইলিমিনেট মেটচতা ইন্দিয়ান প্রেমিয়ার লিগ অসিগী ফেবরাইট টিম অমা ওইখিবা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সপু মায়থিবা পীবা ঙমদুনা অনিশুবা ক্বালিফায়র মেটচ অদু ঙরাং শান্নখিবনি। কোলকাটা নাইট রাইদরসনা মখোয়গী অহানবা ক্বালিফায়রদা দিল্লি দেয়ারদেভিলসপু মায়থিবা পীবা ঙমদুনা ফাইনেল চংদুনা লম্বা ঙাইরকখিবা অদু চেন্নাই সুপর কিংসনা ওইরগনি।

হয়েংগী ফাইনেল মেটচ অসি কোলকাটা নাইট রাইদরসনা মায় পাক্তুনা ৫শুবা আই পি এল গী টাইটল লৌগনি হায়বা ইন্দিয়াগী হান্নগী কেপ্টেইন সৌরভ গঙ্গুলিনা মহাক্কী থাজবা ফোংদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগকী খ্বাইদগী ফবা কেপ্টেইন গৌতম গম্ভীরনি। মহাক্কী শান্নরোইশিংনা শৌগৎলিবা মওং অদুমক তশেংনা পাম্মি। চহি ২ অসিদা কোলকাটা নাইট রাইদরসকীদমক খ্বাইদগী ফবা পার্ফোমেন্স গৌতম গম্ভীর অমসুং য়ুসুফ পথাননা চপ চানা পীবা ঙল্লি। গম্ভীরনা ফিল্ডদা চপ চানা থাজবা লৈরি হায়খি।

চহি ৫ অসিদা ধোনিনা লুচিংলিবা চেন্নাই সুপর কিংসনা মখোয়গী অহুমলক শুবা ফাইনেল মেটচতা হয়েং কোলকাটা নাইট রাইদরসকা থেংনরগনি। গঙ্গুলিগী মাইকৈদগী টিম অনিবু য়াইফ মঙ্গোল পীবা পাম্মি হায়না ফোংদোক্লদুনা মখা তানা হায়, অনৌবা চেম্পিয়ন অমা উবা পাম্মী। চহিসিগী ওইনা কোলকাটা নাইট রাইদরসনা মায় পাক্কনি খল্লি হায়খি।

দিল্লি দেয়ারদেভিলসনা চেন্নাইগী মখুৎতা মায়থিখিবা অদুগী মতাংদা গঙ্গুলিনা হায়, দিল্লিগী কেপ্টেইন বিরেন্দর সেৱাগনা মায়থিবা অদুগী দাইত্ব মহাক্না ওইগনি। সেৱাগনা টোস ঙম্লবা মতুংদা চেন্নাইবু বেট তৌননবা খলহনখিবা অদুনা খ্বাইদগী চাওবা অশোইবনি। স্লো ট্রেক্তা স্পিনর অমখক থাজিন্দুনা শান্নখিবা অদুনা চেন্নাইগী মখুৎতা মায়থিনবগী অচৌবা মরম হায়বদুমক্কি হায়না ফোংদোকখি।

QUALITY COLLEGE OF NURSING

Affiliated to: RGUHS Recognized by: INC and KNC

4/5,P.P. Layout, Subramanyapura Post, Uttarahalli-Kengeri
Main Rd, Bangalore - 560061

B.Sc. Nursing - 90,000/- P.A. **GNM-50,000/- P.A.**

Including:
Food & Accomodation, Books, Uniform, Note Book, Stationary & Study Tour.
Special food for Manipuri Students

Sd/- Principal
#: 08496984838/080-26730891, 26730289 (O)

NT/42968/15 -15 June
E-Mail:- sanjoyenjoy@yahoo.co.in

CBSE

Unique Education

The first CBSE & ICSE Coaching Centre of Imphal.

3rd batch on 14th june

[illegible]

Individual Class For CBSE X- Maths & Sc.

Sagolband Thoubal Bhabok Leikai Near Sangai Express

[illegible]



ST. MARK HIGHER SECONDARY SCHOOL

(A Premier Co-educational Institute)

Affiliated to Council of Higher Secondary Education, Manipur

ADMISSION OPEN FOR CLASS XI (Science)

ACADEMIC SESSION 2012-2013

FACILITIES:-
1. Free Admission and Tution fee :
80% & above (BSEM) or CGPA - 9 (CBSE).
4. For Class X (HSLC) toppers :
* Free Admission and Tution fee.
* Free Coaching Classes.
* Free School Uniforms. * Book Grant.
5. Seperate hostel for Boys & Girls in the school Campus.
7. Transport facilities.

For Admission and other details, please visit office of
ST.MARK HIGHER SECONDARY SCHOOL
Sangaiprou, Airport Road, Imphal West - 795001, E-mail: [illegible]

COMET SCHOOL

Class Ten Toppers of HSLC Exam, 2012 already enrolled in **COMET SCHOOL**

Rank	Name of the Students	Rank	Name of the Students	Rank	Name of the Students
2nd	Chingkhei Wangjam	10th	Sarzu Salam	24th	K. Punshiba Meitei
5th	TM Marjiya	10th	Abhinay Thokchom	24th	Kh. Nongpoknganba
7th	Asish Naorem	14th	Priyadarsini Yumnam	25th	Huidrom Sitaljit Singh
7th	Vivek Thounaojam	17th	Phajathoi Huidrom	25th	Naorem Sunanda Devi
9th	Chirom Meiraba Meitei	18th	Sonia Kangjam		

Result for Screening Test Class-XI (Sc), 2012

First Top Ten

Sl.No	Roll	Name	Sl.No	Roll	Name
1	325	Laishram Lemba Meetei	6	994	Potsangbam Sushma Devi
2	766	Chongtham Ronikumar Singh	7	567	Hijam Telheiba
3	1705	Kongjengbam David Khaba	8	090	Dayananda Thingom
4	501	Khaidem Ajitkumar Singh	9	088	Sanuka Nameirakpam
5	670	Shamurailatpam Shivadutta	10	405	Moirangthem Bidyutkumar

ROLL NUMBERS OF OTHER SELECTED CANDIDATES
(NOT IN ORDER OF MERIT)

[illegible]

ROLL NUMBERS OF SELECTED ST STUDENTS

[illegible]

ROLL NUMBERS OF CANDIDATES (LOCAL STUDENTS)

[illegible]

ROLL NUMBERS OF CANDIDATES IN THE WAITING LIST (IN ORDER OF MERIT)

[illegible]

*Selected candidates must accompany a guardian for counselling session and produce original documents
* Date of Counselling 27th May, 2012 at 10.00 a.m - Top Ten Students & Roll No. [illegible] to 650
* 28th May, 2012 at 10.00 a.m. Roll No. 652 to 1420
* 29th May, 2012 at 10.00 a.m. waiting list candidates (in order of merit)

Sd/-
Principal

MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES

KWAKEITHEL MAYAIKOIBI IMPHAL - 795001

ENTRANCE TEST 2012 RESULT

HSLCE POSITION HOLDERS ADMITTED

NAME	SCHOOL	POSITION
[illegible]	[illegible]	[illegible]

COUNSELLING SESSION FOR 80% AND ABOVE AND POSITION HOLDERS [illegible] 27th MAY 2012

HSLCE 80% ABOVE ADMITTED

[illegible]

ROLL NO. OF SELECTED CANDIDATES (IN ORDER OF ROLL NO)

[illegible]

ROLL NO. OF CANDIDATES IN WAITING LIST

[illegible]

(CANDIDATES IN WAITING LIST ARE INFORMED TO REPORT ON 28th MAY 2012 AT 11 A.M.)

COUNSELLING DATE -27th, MAY SUNDAY

ROLL NO.	TIME
1 TO 400	9.30 A.M TO 11 A.M
401 ONWARDS	12 NOON TO 2 P.M.

NB: [illegible]